**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-02-2025)**

**পুলিস(এল) ঃ** মনিপুর পুলিসনা হায়রি-রাজ্য অসিদা হৌজিক লৈরিবা রাজনিতিগী চরাংনবা অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা এম.এল.এশিংবু লান্না উহনবা য়াবা থৌওং চৎথবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি।

পুলিসকী পাউনা হায়-মশক খঙদবা মীওই খরনা হৌজিক লৈরিবা রাজনিতিগী চরাংনবা অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা এম.এল.এশিংবু লান্না উহন্নবা তত্তনা ফোন তৌরকপগী ৱাকৎশিং পুলিসনা ফংলে। হীরম অসিগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদা এফ.আই.আর. অমা লৌখৎলে অমসুং মথৌ তাবা আইনগী থবকশিং লৌখৎলে।

**এরেষ্ট(এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় অমদি মীওই কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সঙাইকোট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খাউকোল ভিলেজ এরিয়াদগী কে.এন.এগী কাডরনি হায়বা মীওই ৭ নোংমৈগা কোন্ননা ফারে। মীওইশিং অসিদগী এ.কে. ফোরটি সভেনগী রাইফল অনি, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এসোল্ট রাইফল অমা, সিঙ্গল বোর রাইফল অহুম, এ.কে. ফোরটি সভেনগী মেগজিন তরা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৬৫৪, সিঙ্গল বোর রাইফলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৯, মোবাইল ফোন তরুক, বাউফেং রেদিও সেট অহুম অমদি মারুতি জিপসি অমা য়াওরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা তেংনৌপল জিলাগী সিনাম ভিলেজতা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা মেগজিনগা কোন্নবা নাইন এম.এম.

পিষ্টোল অমা, রাসিয়ানা শাবা সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইব এম.এমগী পিষ্টোল অমা, শান্না কাপ্পা য়াবা মোটার অনি, আই.ই.দি. বোম ১৫, এস.এল.আরগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু তরা, এ.কে.গী কাপ্পা য়ারিবা মরু তরা, ইনসাস রাইফলগী মরু ২৫, হেন্দ গ্রেনেদ মরিনচিংবা য়াওরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী বোর্ডর পিল্লর নম্বর ৭৩ অমসুং ৭৪ গী তায়নবা মফম অমদগী থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা টুয়েল্ব বোর পম্প গন অনি, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ মরি, ৱয়ারলেস সেট অনি, টুয়েল্ব বোরগী নোংমৈ মরু ৯৪ ফগৎপা ঙমখি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং চুরাচান্দপুর জিলাগী নেসনেল হায়ৱে টু পরিংদা লৈবা কাপ্রং অমসুং এস. ক্বাটলিয়ন খুলদা শারম্বা ভোলুন্টিয়ার চেক পোষ্টশিং থুগায়খ্রে। পুলিসকী পাউনা হায়-হায়রিবা চেক পোষ্টশিং অসি হৌজিক সেক্যুরিতি ফোর্স লৈশিল্লবা মতুংদা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাহল্লে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ওকসোংবুং মনিং লৈকাইদগী আইননা থিংখ্রবা প্রিপাক (প্রো) গীনি হায়বা মীওই অমা ঙরাং ফারে। মীওই অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

অমরোমদা, পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হুইকপ খুলগী ওইল পম্প ময়াদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গীনি হায়বা মীওই মরি অমসু ঙরাং খুৎলায়গা কোন্ননা ফাগৎখি। মীওইশিং অসিদগী নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ১০, আইননা য়াদবা চে-চাংশিংনচিংবা ফাগৎপা ঙমখি।

**মৈ (এল) ঃ** এম.এস. পি.দি.সি.এলগী ষ্টাফশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জুমর ১৬ ফাগৎলে। কঞ্জুমর তরেৎকী মৈ ককথৎখ্রে হায়রি।

**এআর(এল) ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ফ্রেন্দলি ভোল্লিবোল মেটচ অমা চাে দল জিলাগী আইবোল জোপি ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অসি ২০১৪ দগী চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি।

ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা গ্লোবেল বিজিনেস সমিট অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা ভারত অসি মালেমগী শে ন্নীৎলোনদা খ্বাইদগী মাংজিল থাবা লৈবাক মঙাগী মনুংদা চল্লি। চহি খরগী মতুংদা ভারত অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী শেন্নীৎলোন ফবা অহুমশুবা লৈবাক ওইবা ঙম্লগনি।

শ্রী মোদিনা হায়-মহাক্কী সরকারনা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা হীরম কয়াদা অহোংবা কয়া পুরক্লে। ভারতপু মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা প্রাইবেট সেক্তরশিংবু অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

**নদ্দাঃ** কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ যুম্বাল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দানা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা লৈবাক অসিদা অনা লায়েংগী লমদা অহোংবা অমা পুরকপা ঙমলে।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা অনিশুবা এইমস ওনকোলোজি কনক্লেপ ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী নদ্দানা হায়-নেসনেল কেন্সর ইন্সটিট্যুটতা বোন মেরো ত্রান্সপ্লানগী খুদোংচাবা লৈরে। মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরশিংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই কোতি ২৬ হেন্না ওরেল কেন্সরগী স্ক্রিনিং তৌরে। মীওই কোতি ১৪ না ব্রেস কেন্সর অমদি কোতি ৯ না সরভাইকেল কেন্সরগী স্ক্রিনিং তৌখ্রে।

**সিবিআইঃ** সাইভর ক্রাইমগা মরী লৈনবা কেসশিংগীদমক সি.বি.আইনা ঙরাং দিল্লি অমসুং হরিয়ানাগী মফম ১১ দা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

এজেন্সি অসিগী পাউনা হায়-থিবা হুম্বগী থবক চথবা অদুদা আইননা য়াদবা মওংদা থল্লম্বা শেল ওইনা লুপা কোতি অমা হেনবগী শেনফম, মীরৈবাক্কী শেল দোল্লর লিশিং অমা অমসুং য়াম্লবা সনাশিং ফাগৎলে। মসিগা মরী লৈননা মীওই অহুম ফাগৎতুনা মখোয়গী মথক্তা চার্জসিট থাংগৎখ্রে।

**হোকি ঃ** নুপীগী প্রো লিক হোকি কেম্পেইনগী ঙরাং ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গা হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা ভারতনা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ভারতকী বৈস্নাবী পালকেনা অহানবা মিনিট তরুক্তা পাঞ্জল অমা চনখি অমদি দিবিকানা অহানবা মিনিট ২৫ অনিশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অহুমশুবা পাঞ্জলনা নবনেট কোরনা অরোইবা মিনিটতা চনদুনা মেটচ অসি থোইখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নাগাশিংগী লুই-ঙাইনি কুম্মৈ পাঙথোকখ্রে, পাসপোর্ট য়াওদনা চংল্লকপা মীতোপশিং চহি মঙা জেলদা থমবগী বিল পুথোক্কদৌরি অমদি মথৌ নীংথিনা তৌবা পার্সোনেলশিংদা গভনরনা মনা পীখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনা লৈবাক্তা-নাগাশিংগী লুই ঙাইনিগী কুম্মৈ মনিপুরগী নাগা তাবা মফমশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা মনিপুরদা ওইরিবা ফিভম অসি কনাগুম্বা খরনা মাংজোননা শিনবা ওইগনি হায়না থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হান্নগী মন্ত্রি-লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-লুই-ঙাইনি কুম্মৈ ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখ্রে। য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ঙমখৈ চুমথোক্তনা বোর্ডর ফেন্সিং তৌবগী থবক য়াবা ঙমলোই-অৰাংবৌ ন্যুমাই হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-মোদিগী ফ্রান্স-য়ু.এস. খোঙচৎ লোয়দ্না হল্লকখ্রে। কনানা মনিপুরগী চীফ মিনিস্তর ওইগদগে হায়বদু অথুবদা খঙলবা য়াই হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর ন্যুজতা-লৈবাকসিদা ভেলিট ওইবা পাসপোর্ট নৎত্রগা ভিজা য়াওদনা চংল্লকপশিং চহি মঙা ফাওবা জেলদা থম্বা অমসুং লুপা লাখ ৫ ফাওবা ফাইন তৌনবা বিল পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্কদৌরি হায়বা পাউ বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ইলিগেন্ট ইমিগ্রেন্টশিংগী ইশু থেংনরুবদগী ঙসিগী ফিভম অসি মায়োক বনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিস্তর-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-কংফাল লম্বীদা ইন্দো-ম্যান্মার বোডর ট্রেদ মখা চত্থনবা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-অনৌবা সি.এম, কাংবু-কাংবুগী কেম্পদি প্রসিদেন্ট রুলস চল্লাইদ্রিঙৈদসু তৌখি। চল্লাইরক্লবা মতুংদসু তৌনরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পুং অনিগী মনুংদা মফম মরিদা মৈ চাক্লকপদগী ফয়ার সার্ভিসনা ফোরেষ্ট অমসুং সিফাইগা খুৎশমদুনা মুত্থৎনবা হোৎনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-পি.আর. লাক্লিবা অসি মোদি অমসুং অমৃত সাহগী অশোয়বদু উৎপনি হায়না কংগ্রেসকী এম.পি. গৌরব গোগোইনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-এম.এল.এশিংবু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী মথক্তা পুলিসনা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন

তৌরি।

মনিপুর মেলদা-গভনর য়ুনিট সাইটেসন ২০২৫ গী ইনভেষ্টটিচর থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।